# নরসিংহ যাদভ দোপ টেষ্টতা ফেল ওইখ্রে, রিওদা শরুক য়াগদ্রা হায়বা তম্বা ঙমদ্রি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ :

রিও ওলেম্পিক্স গেমস হৌগদবা নুমিৎ তরানিথোইরোমদা ঙাইশিল্লক্লবা মতম অসিদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নীংবা কায়বা অমা ওইনা কেজি ৭৪ গী ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলর নরসিংহ যাদভপু নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা) না পাঙথোকখিবা দোপ টেষ্টতা ফেল ওইখিবদগী রিও গেমসতা শরুক য়াগদ্রা হায়বগী মতাংদা চমম্নবা লৈরে।

নরসিংহগী বি সেম্পল অদু টেষ্ট তৌখিবদা আইন্না থিংখ্রবা ষ্টেরোইদ শীজিন্নরম্বগী পোজিটিব ওইখি অমদি মহাক্না নাদাগী দিসিপ্লিনরি পেনেলগী মমাঙদা থাংজ নুমিৎতা লাক্কুনা মশক উৎলখ্রে হায়না নেসনল এন্টি দোপিংগী দিরেক্টর জেনরেল নভিন অগ্রৱালনা কনফার্ম তৌখি।

হোয়, মহাক (নরসিংহ) টেষ্ট তৌবদা আইন্না থিংখ্রবা ষ্টেরোইদ শীজিন্নরম্বগী পোজিটিব ওইখি। মহাক্কী বি সেম্পল অদুসু পোজিটিব ওইরে হায়বগী খুদম ফংলে। নরসিংহনা মশামক মহাক্কী বি সেম্পল হাংদোকপা অদুদা শরুক য়াখি হায়না নাদাগী দি জিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ঙরাং দিসিপ্লিনরিগী পেনেল মমাঙদা লেপখ্রে। পেনেল অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা মথৌ তাবা রিপোর্টশিং খোমজিনবা তঙাইফদ্রি। ঐখোয়না মখা তানা চঙশিনখিগনি অমদি পেনেল অসিনা অথুবদা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলক্কনি হায়না আশা তৌরি। ঐখোয়না করি ফল লাকপগে হায়বদু ঙাইরি হায়না দি জিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নরসিংহবু রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংলরোইদ্রা হায়বগী মতাংদা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা অগ্রৱালনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা কম্মেন্ট পীবা ঙনমল্লি। ঐখোয়না মসি অথুবা মতমদা মপূং ফানা লোইশিন্নবা হোৎনরি। ঐনা মদুগী মরমদা ভাবনা শাবা পামদে।

য়াম্না নুংঙাইরিবনা রিও ওলেম্পিক্সকীদমক লৈবাক অসিগী শরুক য়াগদবা কেজি ৭৪ গী ফ্রিষ্টাইলদা নরসিংহ যাদভ অমদি দবল ওলেম্পিক মেদলিষ্ট সুশিল সিংহ অনীনা মখোয় মখোয়বু ওলেম্পিক্সতা থাগদবনি হায়না মরৈ তৌনদুনা কোর্টতা ফাওবা য়ৌনদুনা ৱাথোক ওইখিবনি। অদুবু মমাঙ চহীদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা নরসিংহনা শরুক য়াদুনা ওলেম্পিক্কী কোটা ফংলকখিবনি হায়দুনা মহাকপু রিও গেমসগীদমক খনগৎখিবনি।

নরসিংহনা আইনগী ওইবা ফম্পাক্তা অনীরক ওলেম্পিক্সকী মেদল লৌখিবা সুশিলগা অঙম তান্নদুনা কেজি ৭৪ গী কেটাগোরিদা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবা মুক্নদুনা লাকখিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনসু রেষ্টলর অমা দোপ টেষ্ট তৌবদা ফেল লইরে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা রেষ্টলর অমা নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা) না দোপ পোজিটিব ওইরম্বদগী পুথোকপা ঙমখ্রে। কেস অসিগী হিয়ারিংগীদমক নাদাগী রুল মখাদা এন্টি দোপিং দিসিপ্লিনরি পেনেল (এ দি দি পি) অমা শেম্লে। মসিগী অহানবা হিয়ারিংনা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মসি রেষ্টলর অদুনা মশাবু দিফেন্দ তৌজনবগী খুদোংচাবা পীবনি হায়না ফোঙদোকখি।

হিয়ারিং অদু লোইরবা মতুংদা পেনেল অদুনা নাদাদা মখা তাবা রিপোর্টশিং পীরক্লবা হায়রকখ্রে। হায়রিবা রিপোর্টশিং অদু ফংলবা মতুংদা পেনেল অসিনা মখা তাবা হিয়ারিং চথুগনি। এ দি দি পি অসি লিগেল এক্সপার্ট অমনা লুচিংলি অমদি মদুদা দোক্তর অমদি শান্নরোয়শিং য়াওরি। নাদা অসি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী মখাদা লৈবা ওটোনোমস বোদি অমনি। মসিনা স্পোর্টসতা দোপিং তৌববু চেকশিন্না য়েংশিল্লি বনি।

# ওজকানননা বৈজিং ওলেম্পিক্তা লৌখিবা মেদল দ্রগ শীজিন্নরম্বগী মরালদা আই ও সিনা হন্দোকহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ঃ

হৌখিবা কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্স গেমসতা সিলভর মেদল লৌখিবী টর্কিস ৱেথলিফ্টর সিবেল ওজকানবু চহী নিপানগী মতুংদা দোপিং টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রবা সবষ্টেন্স পোজিটিব ওইরম্বদগী মহাক্কী ওলেম্পিক মেদল অদু লৌথোক্লে হায়না ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) না ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৮ শুরবী ওজকাননা বৈজিং অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসতা লৌখিবা সেম্পলশিং অদু অমুক হন্না টেষ্ট তৌনবা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) না খঙহনখিবদগী কম্পিটিসন পাঙথোকখিবা মতম অদুদা লৈখিদবা অনৌবা মখলগী টেক্নিক শীজিন্নদুনা অমুক হন্না টেষ্ট তৌখিবদা মহাক্না অরানবা তৌখিবা অদু খঙলকখিবনি।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) না থাদোরকখিবা চেরোল অমদা হায়, কেজি ৪৮ গী কাঙলুপতা শরুক য়াখিবী মশাগী চহী ২৮ শুরবী অসিনা অথিংবা থমখ্রবা এনাবোলিক ষ্টেরোইদ ষ্টানোজোলোল পোজিটিব ওইরমখি।

কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট থাদগী ইন্টিলিজেন্স- গেদরিং প্রোসেস চথুবা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং শীজিন্নরম্বগী পোজিটিব ওইবা এথলেট ৯৮ শুরে।

ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সী (ৱাদা) না এক্রিদিটেদ পীবা ওজকানগী লুসানেদা লৈবা কোবোরেটোরিদা থমখিবা বৈজিংদা শরুক য়াখিবগী সেম্পল অদু দিসক্কালিফাই তৌখি অমদি মেদল অদু হল্লক্কবা য়াথং তৌখি হায়না আই ও সীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

আই ও সীনা ইন্টরনেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) তা রিজল্ট অদু মোদিফাই তৌনবা হায়জখি।

তশেং তশেংবা এথলেট অমা ওইহনবা অমদি দোপিংগী মায়োক্তা লৈদুনা মদুবু থেংনবা হায়বসিনা আই ও সীগী টোপ প্রাইওরিটিনি হায়না হায়খি।

ষ্টানোজোলোল অসি সেন্থেটিক এনাবোলিক ষ্টেরোইদ অমনি, মসি ময়াম্না পাফোর্মেন্স হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক্তা শীজিন্নে। মসি এথলেটশিং অমদি বোদি বিল্ডরশিংনা মখোয়গী অনোয়বা হন্থহন্নবা পাম্না শীজিন্নে। মসিনা হকচাংবু তবা তবানা শেপ চানা থম্বদা মতেং পাংই। লোয়ননা মসিনা অশোকপদা ফগৎপগী মতমসু তেনশিলহল্লি হায়না দ্রগ অসিবু শীজিন্নবশিংনা হায়নবা লৈরি হায়রি।

# য়ু এস ওপনদা জোকোভিচ, মরে, রোজর ফেদরর, সেরেনা ৱিল্লিয়মস, ভেনস ৱিল্লিয়মসনা দাইরেক্ট এন্ত্রি ফংখ্রে





ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ঃ

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্বিয়াগী নোভাক জেকোভিচ অমসুং অমেরিকাগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম অমা ওইরিবা য়ু এস ওপনদা দাইরেক্ট এন্ট্রি লিষ্টতা য়াওবা ঙমখ্রে।

সেরেনানা ওপন ইরা অসিদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৌবা ঙম্নবা মিৎয়েং থল্লিবনি। সেরেনা অমদি হান্নগী জর্মনিগী ষ্টেফি গ্রাফনা অপূনবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২২/২২ লৌদুনা চাং মান্ননা লৈরিবনি। ৱর্ল্ড নম্বর ৱান জেকোভিচনা য়ু এস ওপনদা তরুক্কশুবা ওইনা ফাইনেল চঙনবা পান্দম থল্লি।

য়ু এস টেনিস এসোসিএসন্না হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা লাউথোকখিবা এন্ট্রি লিষ্ট অদুদা চয়োল অসিদা মালেমগী এ টি পি রেঙ্কিংগী অমদগী ৯৮ ফাওবদা লৈরিবা প্লেয়রশিং য়াওরি অদুগা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংগীদনা অমদগী ১০১ ফাওবদা লৈবা প্লেয়রশিং য়াওরে। দব্লিয়ু টি এগী রেঙ্কিং লিষ্টতা য়াওখিদ্রবা নুপী শান্নরোয় অনীনা কুমজা ২০০৬ কী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন রসিয়াগী মারিয়া শারাপোভা অমদি লৈবাক অসিমক্কী ভিক্টোরিয়া অজারেঙ্কানি। শারাপোভানা হৌজিক দোপিংগী মরালদা অথিংবা মায়োক্লরি অদুগা অজারেঙ্কানা মশাগী অঙাং উনগদবা মতম কুইশিল্লক্তবনা শান্নবদগী পোথারিবনি।

পনবা য়াই, সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী অপূনবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২২ লৌখিবগী মনুংদা য়ু এস ওপনগী টাইটল তরুক য়াওরি। মহাক্না অরোইবা ওইনা কুমজা ২০১৪ দা য়ু এস ওপন টাইটল লৌখি। মমাঙ চহীদা সেরেনানা কেলেন্দর ইয়রদা গ্রান্দ স্লাম মরিমক লৌনবা মঙখিবা মঙলান অদু য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেলদা ইটালিগী রোবর্টা ভিন্সিগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা মঙফাওনখিদে।

য়ু এস ওপনগী দাইরেক্ট এন্ট্রি লিষ্টতা য়াওখ্রবা অমদি মমাঙদা ওপন অসিমক্কী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা নুপী শান্নরোয়শিংদি সেরেনা ৱিল্লিয়মস, ভেনস ৱিল্লিয়মস, ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুর অমদি রসিয়াগী ভেটলানা কুজনেটসোভানি।

নুপাগীদা হান্না ওপন অসিগী টাইটল লৌখ্রবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা জোকোভিচ, রোজর ফেদরর, এন্দি মরে অমদি মেরিন সিলিক য়াওরি। ওপন অসিদা স্পেসিয়ল রেঙ্কিংগী খুথাংদা শরুক য়াগদবা নুপী অমদি নুপা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নুপীদা চিনাগী পোং স্বাই, রসিয়াগী গালিনা ভোস্কোকোভা অমদি রসিয়াগী ভিটালিয়া দায়টচেনকোনি। নুপাগীদা জুলিয়ন বেনেটো, জাঙ্কো টিপসারেভিক, ব্রাইন বেকর, থনাসি কোক্কিনাকিস, দিমিট্রি টুরনেসোভ অমদি জর্জি জানোভিকনি।

ওপন অসিদা নুপা নিপান অমদি নুপী নিপাননা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ফংগনি অদুগা নুপা ১৬ অমদি নুপী ১৬ না ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদবা ক্কালিফাইয়িং রাউন্দদগী খনগৎকনি। গ্রান্দ স্লাম অসিগী মেইন দ্রোনা ওগষ্ট ২৯ দগী হৌগনি অদুগা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলনা সেপ্টেম্বর ১০ অমদি নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সেপ্টেম্বর ১১ দা পাঙথোক্কনি।

# ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা কনাদাবু অমুকসু হন্না য়ু এস এ টুরদা ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে



মানহৈম, জুলাই ২৪ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা মফম অসিদা চথুরিবা য়ু এস এ টুরগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা কনাদাবু ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী থংনা থংননা শান্নখিবা মেচতা অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অহানবা একাউন্ট হাংদোকখিবগী গোল অদু মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা পুনম রানিনা চনখি অদুগা অনীশুবা গোলনা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা রেনুকা যাদভনা চনখি অমদি মণিপুরগী অনুরাধা থোকচোমনা মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা অহুমশুবা অমদি মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।

ইন্দিয়ানা মেচ হেক হৌখিবগা ওফেন্সিবতা শান্নরকখি অমদি অহানবা মিনিট খরদি গোল এটেম্প তৌদুনা টার্গেটতা কনশিনখিবদা কনাদাগী গোলকিপর রোৱান হরিসনা সেভ তৌদুনা গোল চলহননিখদে। ইন্দিয়াগী ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। মখা তানা ইন্দিয়ানা কনাদাগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা রানিনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

কনাদাসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা কাউন্টর এটেকশিং ওপোনেন্টকী সাইদতা চঙশিনখি। মখোয়গী এটেক্তা নাটালি সৌরিসেয়ুনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

গোল অমা কনাদানা হন্দাকখিবদগী ইন্দিয়ানা অহেনবা প্রেসর লৈনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা চঙশিনখিবদা দিপ গ্রেস ইক্কাদা রেফ্রিনা গ্রীন কার্দ অমা পীখি। কনাদানা তৌখিবা এটেক্তা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বদা তাখি। মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদি টিম অনীমক্না ১-১ দা লৈনখি।

ইন্দিয়ানা অথুবদা চঙশিনখিবা এটেক্তা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদু রেনুকানা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি। ইন্দিয়ানা অনীশুবা ওইনা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমা দাইরেক্ট ওইনা নেটতা কনশিখিবদগী গোল লৌখিদবদগী অরেম্বদা তাখি। দিপ গ্রেসনা গোল চনবা য়াবা ফজরবা খুদোংচাবা অমা ফংখ্রবসু কান্নখিদে।

মেচকী অরোইবা ক্কার্টরদা ইন্দিয়ানা মিদফিল্ডদা তকখৎতুনা শান্নরক্কুনা কনাদানা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগী খুদোংচাবা পীবা তৌখিদে। মেচ লোইবগী হুটর খোঙগদবা মিনিট অনীখক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা মণিপুরগী অনুরধানা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ৩-১ দা মায় পাকখিদুনা টুর অসিদা থংনা থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা মায় পাকপসু ওইখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ন নুপী হোকি টিমনা মফম অসিদা চথুরিবা য়ু এস এ টুরগী ঙরাং শান্নখিবা মখোয়গী অহুমশুবা মেচতা কনাদাবু ৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা অনীরকশুবা ওইনা মায়পাকপগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বন্দনানা মেচকী ৯ শুবা মিনিট অমসুং ৫১ শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখি। অদুগা দিপিকানা মেচকী মিনিট ৩৮ অমদি মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা চনখি।

ইন্দিয়াগী মঙাশুবা অমদি অরোইবা গোল অদুনা পুনম রানিনা মেচকী ৫৮ চৎপা মতমদা চনখি। ইন্দিয়ানা মেচকী অহৌবদা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নরকখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌদুনা চৎখি।

অমেরিকা টুর অসিগী শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেচতা য়ূম্বু য়ু এস এবু ২-১ দা মায়থীবা পীখিবনি। ইন্দিয়া অমদি য়ু এস এ অনীগী মেচ অদুগী অনীশুবা ক্কার্টরদা য়ু এস এনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা তৌখিবা শাফু কল্লবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরদা জিল্ল ৱিটমরনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা গোল চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা মতিং থোক্না শান্নরক্কুনা য়ু এস এগী দিফেন্স লানশিন্দুনা এটেকশিং তৌখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা অহুমশুবা ক্কার্টর লোইরমদাইদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা প্রিটি দুবেনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্কার্টরদা ইন্দিয়ানা অকনবা প্রেসর পীদুনা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা চঙশিনখিদুনা মেচকী মিনিট ৫৫ চৎপা মতমদা লিলিমা মিঞ্জনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা চৎখিবগা লোয়ননা টুর অসিগী অহানবা ওইনা মায় পাকপগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা মফম অসিদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী চথুবা হৌখিবা য়ু এস এ টুরগী ওপনিং মেচতা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট য়ু এস এগী মখূৎতা ২-৩ দা মায়থীহৌদুনা টুর অসিগী অহৌবদা নীংবা কায়বগী মহাও তংখিবনি।

চথুরিবা টুর অসি লাক্লিবা রিও গেমসকী মাঙওইননা ৱার্ম অপ প্রেক্টিশ ওইনা পাঙথোকপনি। মসিদা ইন্দিয়ানা মতিং থোক্না শান্নদুনা রিওদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরিবনি।

# প্রেমিয়র ফুটসাল ঃ মুম্বাই ফাইভস অমসুং কোচি ফাইভসনা ফাইনেলদা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি




মাপুশা, জুলাই ২৪ ঃ

মুম্বাই ফাইভসনা মফম অসিদা চথুরিবা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগকী নোংমাইজিং নুমিৎতা মশক থোক্না শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা কোলকটা ফাইভসপু ৪-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা কোচি ফাইভসনা গোৱা ফাইভসপু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মুম্বাই অমদি কোলকটা অনীগী মেচ অদুদা মুম্বাইনা অকনবা লম্বা তৌদুনা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা গোল চন্ননবা এটেম্পশিং তৌখি। পেদম ইন্দার ষ্টেদিয়মদা মেচ অদুবু য়েংখিবা য়াম্লবা মীয়াম্না মুম্বাইগী ফেবরদা লৈদুনা অকনবা সপোর্ট তৌদুনা খোল্লাও কয়া লাউশিনখি।

মুম্বাইনা হনবা লৈতনা মায়োক্লখিবা কোলকটাগী সাইদতা তৌখিবা এটেক্তা মুম্বাইগী কলম্বিয়ন এঞ্জেলোনা মেচকী মিনিট ৯ চৎপা মতমদা টিমগীদমক অহানবা গোল চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

এঞ্জেলোনা মহাক্কী টিমগীদমক মশক থোক্না শান্নদুনা মুম্বাইবু নমহৎননবা হোৎনখি। মখা তানা মুম্বাইনা কোলকটাগী মায়কৈদা তৌখিবা অকনবা এটেকশিংদা মেচকী মিনিট ১১ চৎপা মতমদা এঞ্জেলোনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

হনবা লৈতনা মুম্বাইনা কোলকটাগী সাইদতা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ২০ চৎপা মতমদা কেবিন রামিরেজনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ৩-০ দা অমুক মাঙজিল থানা লৈখি।

কোলকটা ফাইভসু গোল ইক্কেলাইজ তৌনবগীদমক মুম্বাইগী সাইদতা অকনবা এটেক তৌরকখিবগা লোয়ননা মেচকী মিনিট ২২ চৎপা মতমদা বান্দর কারিওকানা গোল অমা অমদি গবিরেলনা মেচকী মিনিট ২৪ চৎপদা গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-২ দা লৈখি।

অথুবদা এঞ্জেলোনা অমুকসু হন্না মহাক্কী টিমগীদমক মেচকী মিনিট ৩২ চৎপদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ৪-২ দা মায় পাক্কুনা ফাইনেল চঙখি।

অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা কোচি ফাইভস অমদি গোৱা ফাইভস অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। মেচ অদুদা কোচি ফাইভসনা গোৱা ফাইভসপু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মায় পাকখ্রবা কোচিগী গোলশিং অদু চৌগুইনহানা মেচকী মিনিট ১৩ চৎপদা গোল অমা, মেচকী মিনিট ২৭ চৎপদা গোল অমগা পূন্না গোল অনী চনখি। অদুগা গোৱাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেচকী মিনিট ২২ চৎপা মতমদা ভম্পেতানা চনশিনখিদুনা কোচিগী মখূৎতা ১-২ দা মায়থীহৌখি। মায় পাক্লবা কোচিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙখি।

# ‘রিওদা শরুক য়াবদা অথিংবা থম্লবদি শান্নবদগী পোথারগনি’




মোস্কো, জুলাই ২৪ঃ

রসিয়াগী পোল ভোল্টর অমদি ওলেম্পিক্কী অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা য়েলেনা ইসিনবায়েভানা করিগুম্বা মহাকপু রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়াবদা অথিংবা থম্লবদি মহাক শান্নবদগী পোথারগনি হায়না কিহনখ্রে।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) না রসিয়ন এথলেটশিংবু ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবদা অথিংবা থম্লবদি মহাক্না মখা তানা ট্রেনিং তৌরুবগী মথৌ তাদে অমদি শান্নবদগী পোথারগনি হায়না অকনবা ৱার্নিং তৌখি। ঐহাক চহী ৩৪ শুরে অমদি মখা তানা শান্নবদা মায় ওনশিনবগী মহুৎ ইমুং-মনুং শেম্বনা হেন্না মরুওই হায়না খল্লি হায়না ইসিনবায়েভানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সী এ এস) না লৌখিবা ৱারেপ অদুনা ঐঙোন্দা অঙকপা হায়বদু ওইহনখি। ঐহাক রিও ওলেম্পিক্সতা মায় পাক্না শরুক য়ারল্লগা শান্নবদগী পোথানবা খল্লম্বা আশা অদু ওইরিবা থৌওং অসিনা পুমকায় কায়হল্লে হায়বা ৱাফম মখা তানা থমখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, সী এ এসনা রসিয়ন ওলেম্পিক কম্মিটি অমদি লৈবাক অসিগী এথলেট ৬৮ না তৌখিবা আপিল অদু লৌখিদ্রবনা আই ও সীনা রসিয়ন এথলেটশিং রিওদা শরুক য়াহনগদৌবা মানদ্রে। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়খি।

ইসিনবায়েভানা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অহুম্লক ওইখ্রে অমদি মিটর ৫ গী বার লান্থোকপা ঙম্বা মালেমগী অহানবা নুপী পোল ভোল্টর অমসু ওইরিবনি। মহাক্না দোপিংদা অমুক ফাওবা চেন্নরকখিদবা মহাক্কী মায় পাক্লবা কেরিয়রগী মতমদা মহাক্কী টিমমেটশিংদি অরানবা থৌওং অসিদগী মখোয়গী কেরিয়র লোইশিনখ্রবনি।